

মতিক চাবা প্রমান পীবা ঙমদ্রবদি অমিত শাহগী মথক্তা দিফেমেসন সুট তৌগনি: নরায়নাসমি

পুদুচেরি, মার্চ ০১ (এজেন্সী) :

ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা পুদুচেরিগী চাওখৎ থৌরাংগীদমক লুপা ক্রোর ১৫,০০০ থাদখিবা অদু পুদুচেরিগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ভি নরায়নাসমিনা লান্না শীজিন্নখি হায়না য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত শাহনা চার্জ তৌখিবা অদু করিগুম্বা মদুগী মতিক চাবা খুদম চাংদম পুথোকপা ঙমদ্রবদি অমিত শাহগী মথক্তা দিফেমেসন সুট তৌরগনি হায়না হান্নগী চীফ মিনিষ্টর অসিনা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা হোম মিনিষ্টর অমিত শাহনা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা পুদুচেরিগীদমক কায়থোকখিবা শেনফম লুপা ক্রোর ১৫,০০০ গী মনুংদা মহাক্কী শরুক খরা লৌহৌরগা গান্ধী ফেমেলিদা খূৎশিন্নখি হায়না মরাল শীরি। মহাক্কী মথক্তা শীরক্লিবা মরাল অসি য়াম্না শাথিবা মখলনি। করিগুম্বা মসিগী মতাংদা হোম মিনিষ্টর অমিত শাহনা প্রমান পীবা ঙমদ্রবদি মহাক অমদি গান্ধী ফেমেলিবু মিংচৎ থিহনবগীদমক ক্রিমিনেল দিফেমেসন সুট অমা ফাইল তৌরগনি।

অমিত শাহনা করিগুম্বা প্রমান পীবা ঙম্লোইদবা লৈরবদি ঙম্লিঙৈদা লৈবাক অসিগী মীয়াম অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটৌরি অসিদা লৈরিবা মীয়ামদা লাল্লে হায়জগদবনি। মহাক্কী ওইনদি অরানবা তৌখিদবনা অকিবা লৈতে। মরম অদুনা অমিত শাহনা হায়রক্লিবা ৱাফম অদুগী মায়োক্তা মহাক্না লেপ্পুনা লৈগনি। প্রমান পীবা ঙমদ্রবদি মহাক মশাদসু অমিত শাহনা লাল্লে হায়জগদবনি হায়রি।

হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা য়ুনিয়ন টেরিটোরি অসিদা পাঙথোকখিবা রেল্লি অমদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরনা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর অসিগী মথক্তা করপসনগা মরী লৈনবা থবক থৌওংশিংদা চেন্নে হায়দুনা মরাল শীখিবগা লোয়নননা চাওখৎ থৌরাংগীদমক থাদখিবা লুপা ক্রোর ১৫,০০০ লান্না শীজিন্নখি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

হান্নগী চীফ মিনিষ্টর অসিনা য়ুনিয়ন টেরিটোরি অদুদা বি জে পিনা তংদু লৈতাদবা ফীভম অমা পুরক্লবা হোৎনরি হায়না মরাল শীখিবগা লোয়নননা অমিত শাহনা টেরিটোরি অদু কাং খোঙ চাইহন্নবা হোৎনরে। বি জে পিনা টেরিটোরি অদুগী নৌনা হাপলকখিবা গভর্ণর তামিলিসাই সাউন্দরাজননা মীয়ামগী খল্লগা থবক তৌবগী মহুত্তা বি জে পি পার্টিগী য়েংলগা থবক তৌবনা লৈঙাক কায়খিবনি।

গভর্ণর অসিনা হান্না লৈরম্বা লৈঙাক্কী মায়োক্তা ৱা কয়া ঙাঙলি অমদি পুদুচেরিগী চাওখৎ থৌরাংগীদমক সেন্তরদা থাখিবা প্রোপোজেল কয়া হোম মিনিষ্টর অমিত শাহনা য়াম্না তোয়না রিজেক্ট তৌখি। বি জে পিনা লৈঙাক পায়নবা হোৎনদুনা কোংগ্রেসকী এম এল এ খরা শেল পীরগা লৈখি অদুগা খরনা কিহন্দুনা পার্টি অসিদগী পোত্থাহনখিবনি হায়না নারায়নাসমিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

সুপ্রিম কোর্টকী জজশিং ঙসিদগী কোভিদ ভেক্সিন কাপ্পা হৌরগনি, অপাম্বা ভেক্সিন খনবা য়াগনি

COVID-19
VACCINE

ন্যু দেল্লী, মার্চ ০১ (এজেন্সী) :

লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ৱাংবা সুপ্রিম কোর্টতা জজ ওইরিবশিং হয়েংদগী হৌরগা কোভিদ-১৯ গী ভেক্সিন কাপ্পা হৌরগনি। ভেক্সিন কাপ্পা মতমদা ভারত বাইওটেক্না পুথোকপা কোভেক্সিন নৎত্রগা সেরম ইন্সটিট্যুট ওফ ইন্দিয়াগী কোভিসিল্ড অনীগী মরক্তা অপাম্বা খনবা য়াগনি।

হয়েংদগী হৌগদৌরিবা ভেক্সিনেসনগী থৌরমদা ইলিজিবল ওইবা জজশিং, থবক্তগী পোত্থখ্রবা জজশিং অমদি মখোয় মখোয়গী ইমুং মনুংগী মীওইশিংসু হীদাক কাপ্পা য়াবগী খুদোংচাবা পীগনি। সুপ্রিম কোর্টকী কমপ্লেক্স মনুংদা ভেক্সিনেসনগী থবক অসি চথগনি।

কোর্ট কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্কদৌরিবা ভেক্সিনেসনগী থৌরমদা নৎত্রবসু গভর্ণমেন্টকী লিষ্টতা য়াওবা হোস্পিটালশিংদা জজ অমদি মহাক্কী ইমুং মনুংনা কোভিদ ভেক্সিন কাপ্পা য়াগনি। সেন্তরগী গাইদ লাইন্স মতুং ইন্না কোভিদ ভেক্সিনগী মমল লৌগনি। প্রাইভেট হোস্পিটালশিংদদি দোজ অমা কাপ্পদা লুপা ২৫০ ফাওবা চার্জ তৌবা য়াগনি হায়না সুপ্রিম কোর্টকী রেজিষ্ট্রিনা ফোঙদোরক্লি।

ঙসি অনীশুবা ফেজগী ওইনা ইন্দিয়াগী মফম কয়াদা পাক শন্না ভেক্সিনেসনগী দ্রাইভ চত্থবা হৌখ্রে। দ্রাইভ অসিদা চহী ৬০ গী মথক্তা লৈবা মীওইশিং অমদি হান্নদগী মশাগী অনাবা লৈবা চহী ৪৫ গী মথক্তা লৈবা মীওইশিংদা হীদাক কাপ্পগী খুদোংচাবা পীগনি। লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিসু লৈবাক অসিনা পুথোকচবা ভারত বাইওটেক্কী কোভেক্সিন ঙসি অহানবা দোজ কাপখ্রে।

মালেমগী ওইনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী মতুংদা ইন্দিয়ানা কোভিদ কেস খ্বাইদগী য়াম্বা লৈবাক ওইরি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা হেল্থ অমসুং ফ্রন্ট লাইন ৱার্করশিং য়াওনা মীওই মিল্লিয়ন ১২ হেন্না কোভিদ ভেক্সিন কাপখ্রে।

অমরোমদা ঙসি লৈবাক অসিগী কোনুং ন্যু দেল্লীগী গভর্ণমেন্ট হোস্পিটাল অমদা কোভিদ ভেক্সিনগী অহানবা দোজ কাপ্লবা মতুং প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা হীদাক কাপ্পা য়ারবা মীওই খুদিংমক্না অকিবা লৈতনা হীদাক কাপ্পবা আপীল তৌখিবগা লোয়নননা কোভিদ-১৯ ফ্রী ইন্দিয়া ওইহল্লসি হায়রি।

কোভিদ ভেক্সিন কাপ্পা পাম্বা মীওইশিংনা ভেক্সিনেসন সেন্তরশিং মশাগী অপাম্বা মতুং ইন্না খনবা য়াগনি হায়না মমাঙ চয়োলদা লৈঙাক্না ফোঙদোকপা লৈখ্রে। মীয়াম্নসু কোভেক্সিন নৎত্রগা কোভিসিল্ড অনীগী মরক্তা অপাম্বা খনবা য়াগনি। ভেক্সিনেসন দ্রাইভ অসি কোৱিন এপ শীজিন্নদুনা পাক শান্না চত্থনবা হোৎনরি। মীয়াম্না কোৱিন এপকী খুত্থাংদা মখোয়না পাম্বা কোভিদ ভেক্সিন সেন্তর অমদি অপাম্বা হীদাকশিং খনবা য়াগনি।

পনবা য়াবদি হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎ ফাওবদা লৈবাক অসিদা কোভিদকী অপূনবা কেস মশীং ১,১০,৯৬,৭৩১ য়ৌখ্রে। অদুগা শিবগী চাংনা ১,৫৭,০৫১ য়ৌখ্রে। লৈবাক অসিদা হৌজিক হৌজিক কোভিদগী এক্টিভ কেস ১,৬৪,৫১১ লৈরি। লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেট খরদা কোভিদ লায়না লায়চৎ অমুক হন্না পাক শান্না শন্দোরকপদগী ষ্টেট খরদদি লোকদাউনগী মতম অমুক শাংদোকপা হৌখ্রে হায়না য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

কোভিদ প্রোটোকোল ঙাক্না য়ু পিদা প্রাইমরি স্কুলশিং হান্নগুম্না মথৌ তৌবা হৌখ্রে

লক্ষ্নৌ, মার্চ ০১ (এজেন্সী) :

কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্না মরম ওইরগা চহী অমরোম উত্তর প্রদেশতা স্কুলশিং থিংজিন্দুনা লাকখ্রবা মতুং মহৈরোয়শিংগী য়েংলগা কোভিদ-১৯ গা মরী লৈননা গভর্ণমেন্টনা শেমখিবা এস ও পিশিং ঙাক্না ক্লাস ৱানদগী ফাইভ ফাওবগী ওইনা স্কুলশিং হাংদোক্কুনা হান্নগুম মথৌ তৌবা হৌহনখ্রে।

অৱাংবা ক্লাসতা মহৈ তম্লিবশিংগী ওইনদি মমাং থাদগী হৌনা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা স্কুল হাংদোক্কুনা মথৌ তৌহনখ্রবনি। অদুমওইনমক চহী নৌরিবা অঙাংশিংগী ওইনদি ঙসিদগী স্কুল হাংদোক্লবা ফিরেপ লৌখিবনি। লক্ষ্নৌ সিটিদা লৈবা খ্বাইদগী হেন্না লিরবা ইন্সটিট্যুসনশিংগী মনুংদা ওইরিবা সিটি মোন্তেসোরি স্কুলগী এদমিনিষ্ট্রেটরশিংনা ফোঙদোকখিবদা অহানবা নুমিৎকী ওইনা মমা মপাশিংগী অয়াবা য়াওরগা মহৈরোয় চাদা ৭৫ গী চাংদা স্কুলদা লাকখি।

স্কুল ওথোরিটিশিংনসু স্কুল গেটতগী হৌরগা ফিজেকেল দিষ্টেন্সিং, সেনিটাইজর কাপথোকপা অমদি মহৈরোয়শিংদা কোভিদ প্রোটোকোল ঙাক্না চৎনবা খঙহনখি।

সিটি মোন্তেসোরি স্কুলগী ভাইস প্রিন্সিপাল ডা. জসমিনখাননা ফোঙদোকখিবদা ঙসি ক্লাস ফোর খক্তা তম্লিবা মহৈরোয় নবিয়া বর্সনেনা মশাগী ওইনা সেনিটাইজর পুরগা লাকখি অমদি মহাক্কী ক্লাস মেটশিংসু মহাক্না সেনিটাইজর কাপখি।

মহৈরোয় নুপীমচা অদুনা ফোঙদোকখিবদা মহাক্কী মমা মপাশিংনা স্কুল চত্নু ক্লাস য়াওবদা পুক্নিং থৌগৎখি। কোভিদ-১৯ গী মতাংদা গভর্ণমেন্টনা শেমখিবা চৎনা কাঙলোনশিং ঙাক্না চৎলিবমখৈ কিনিঙাই ওইদে। দরকার ওইরিবদি স্কুলদা চত্নুনা মহৈ তম্বা অদুনি। মসিদা নত্তনা নহাক্না মতম শাংনা উন্নরুদ্রবা নমান্নবা- নমান্নবীশিং অমুক হন্না উন্নবা ফংলগনি হায়না পুক্নিং থৌগৎখি হায়রি।

য়ু পিগী নোংচুপ থংবা শরুক্তা লৈবা গভর্ণমেন্ট প্রাইমরি স্কুল অমদসু মহৈরোয়শিং চাং ৱাংনা লাকখি। অদুবু মহৈরোয় খরগী মায়কৈদগীদি ওন লাইন ক্লাস তৌবনা হেন্না নুংঙাইবগী মওংদা ফোঙদোক্লমখি হায়না স্কুল অসিগী ওজাশিংনা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেট ১০ রোমদা কোভিদ-১৯ গী লায়না লায়চৎ শন্দোরক্লিবা অসিগী য়েংলগা ষ্টেট অসিদসু চেকশিন থৌরাংশিং পায়খৎপা হৌখ্রে হায়না হেল্থ ওফিসলশিংনা ফোঙদোরকপগা লোয়নননা ষ্টেট অদুগী মীয়াম্না লৈবাক অসিদগী কোভিদ-১৯ গী লায়না লায়চৎ মপুং ফানা কন্ট্রোল তৌদ্রিবা ফাওবা গভর্ণমেন্টনা শেমখিবা ষ্টেন্দর ওপরেটিং প্রোসিজরশিং ঙাক্না চৎনবা খঙহল্লক্লি।

খোঙজং চঙশিল্লিবা লৌমীশিংগী মায়োক্তা গভর্ণমেন্টনা এক্সন লৌখৎনবা হোৎনরি: রাকেস

বিজনোল, মার্চ ০১ (এজেন্সী) :

লৌমীশিংনা হৌরিবা ঈহৌগী মতাংদা গভর্ণমেন্টনা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোক্তনা তুমিন্না লৈশিল্লিবা অসিনা তাকপদি খোঙজং চঙশিল্লিবা লৌমীশিংগী মায়োক্তা গভর্ণমেন্টনা এক্সন লৌখৎনবা খোঙথাং পায়খৎপনি হায়না ভারতিয়া কিষান য়ুনিয়ন (বি কে য়ু) গী লুচিংবা রাকেস টিকেটনা ঙসি ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না ফোঙদোকখিবদা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদা লৌউ শিংউবগী থবক তৌরিবা লৌমীশিং মমাং চহীদা পাস তৌখিবা ফার্ম লো অহুম অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা অমদি লৌমীশিংদা এম এস পি ফঙহন্নবা খোঙজং চঙশিন্দুনা লাক্লি। থা অহুম হেন্না লৌমীশিংনা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজং অসিগী মতাংদা লৌমী মীহুৎশিং অমদি গভর্ণমেন্টকী মীহুৎশিংগা কয়ারক হন্না ৱারী শান্নখ্রে। অদুবু নাকল অনীগী মরক্তা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি য়াশিন্নবা পুরকপা ঙমদনা লৈরি।

লৌমীশিংনা তাল্লিবা দিমান্দ পিথোক্লবা হোৎনবগী মহুত্তা লৈঙাক্না মখোয়গী অপাম্বদা লেপ্পুনা লৈবনা মরম ওইরগা নাকল অনীগী মরক্তা য়াশিন্নবা পুরকপা ঙমদবনি।

অমরোমদা গভর্ণমেন্টনা হৌখিবা নুমিৎ ২০ নি রোম অসিদা লৌমীশিংগী মতাংদা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোক্তনা তুমিন্না লৈশিল্লিবা অসিনা তাকপদি খোঙজং চঙশিল্লিবা লৌমীশিংগী মথক্তা গভর্ণমেন্টনা এক্সন লৌখৎনবা হোৎনরি হায়বনি।

গভর্ণমেন্টনা লৌমীশিংগী খোঙজং নমথনবা হোৎনরিবা অদু কৈদৌনুংদা মায় পাকপা ঙম্লোই। লৌমীশিংনা তাল্লিবা দিমান্দ ফংদ্রিফাওবা মখোয়গী খোঙজংদা অহোংবা লৈরোই। মখা তানা অদুমক খোঙজং চঙশিনখিগনি হায়না লৌমি লুচিংবা রাকেস টিকেটনা মখা তারি।

হৌখিবা চহী অহুমদা তোঙান তোঙানবা মরম্না কৈ ৯৩ শিহনখি

ভোপাল, মার্চ ০১ (এজেন্সী) :

ইন্দিয়াগী ওইনা মধ্য প্রদেশ অসি টাইগর ষ্টেট হায়না খঙনরি অদুবু ষ্টেট অসিদা হৌখিবা চহী অহুমলোম অসিদা শাদানবা কাঙবুশিংনা অমদি অতোপ অতোপ্পা মরম কয়ানা কৈ ৯৩ শিহনখি হায়না ষ্টেট ফোরেষ্ট মিনিষ্টর বিজয় সাহনা এসেম্ব্লিদা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

কোংগ্রেস এম এল এ সটিস সিকরৱারনা হংলকখিবা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা মিনিষ্টর অসিনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবগা লোয়নননা হৌখিবা কুমজা ২০১৮ গী জনুৱারী ১ দগী হৌরগা কুমজা ২০২১ গী জনুৱারী ১ ফাওবদা শাদানবশিংনা কৈ ২৫ হাৎখি অদুগা লেমহৌরিবশিংনা মহৌশানা থোকহনবা থৌদোকশিং অমদি লায়না লায়চৎনা মরম ওইরগা শিহনখি।

হৌখিবা কুমজা ২০১৮ দা মধ্য প্রদেশতা কৈ মশীং ৫২৬ লৈরমখি। অদুবু চহী খরা অসিদা কৈগী মশীং তপ্না তপ্না হন্থরকখি। গভর্ণমেন্টনসু হীরম অসিগী মতাংদা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা থবক কয়া পায়খৎলি। কৈ হাৎপগী থৌদোক্কা মরী লৈননা হৌজিক ফাওবদা গভর্ণমেন্টনা মীওই ৭৭ ফাবা ঙমখ্রে। মখোয়গী মথক্তা লিগেলগী ওইবা এক্সনশিং লৌনবা মরী লৈনবা লোয়শিঙশিংদসু খঙহনখ্রে।

মধ্য প্রদেশ ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী রিপোর্ট মতুং ইন্না কানহ রিজার্বতা কৈ ৮৮, পেঞ্চ রিজার্বতা ৬১, পনা রিজার্বতা ২৫, সটপুরা রিজার্বতা ৪০, সঞ্জয় রিজার্ব অমসুং নৌরাদেহি সেঞ্চুরিদা পুন্না কৈ ৫/৫ লৈরি। মদুগী মথক্তা লাটাপানি, সিংহোরি এন্দ খিবানি সেঞ্চুরিদসু পুন্না কৈ ৪৫ লৈরি। কৈশিং মখা তানা অশি অনা থোকহন্দনবা গভর্ণমেন্টনা অহেনবা শেনফম থাদনবগী মতাংদা খন্নবা হৌখ্রে হায়না মিনিষ্টর অসিনা ফোঙদোরক্ল।

থাউ মমল হেনগৎখিবগী মায়োক্তা কোংগ্রেস লুচিংবা কয়ানা সাইকল থৌদুনা এসেম্ব্লি তম্না চংখ্রে

মুম্বাই, মার্চ ০১ (এজেন্সী) :

বিহারদা টেজাসৱি য়াদব, ন্যু দেল্লীদা রোবার্দ ভদ্রা অমসুং মধ্য প্রদেশতা ওপোজিসন এম এল এশিংনা থাউ তাংখৎপগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিনখ্রবা মতুং ঙসি মহারাষ্ট্র কোংগ্রেসকী লুচিংবশিংনা ষ্টেট অদুদা থাউ মমল কা হেন্না তাঙখৎলকখিবা অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা সাইকল তোংলগা এসেম্ব্লি তম্না লাকখ্রে।

ষ্টেট এসেম্ব্লি বজেট সেসনগী অহানবা নুমিত্তা রুল্লিং পার্টিদা য়াওরিবা কোংগ্রেস লুচিংবশিংনা সাইকল থৌদুনা এসেম্ব্লি তম্না লাকখিবা অদুদা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি। শিব সেনানা লুচিংবা মহারাষ্ট্র কিবাস অঘাদি এলায়েন্সতা কোংগ্রেসসু য়াওরি। সরত পৱারনা লুচিংবা নেস্নেলিষ্ট কোংগ্রেস পার্টি (এন সী পি) সু এলায়েন্স অদুদা য়াওরিবনি।

মহারাষ্ট্রগী মিনিষ্টরশিং বালাশাহেব থোরাদ, অসলম সেখ, য়াসোমতি ঠাকুর অমসুং মুম্বাই কোংগ্রেসকী চীফ ভাই জকটাবসু ঙসিগী সাইকল রেল্লি অদুদা শরুক য়াখি।

ঙসিগী সাইকল রেল্লি অদুগা মরী লৈননা কোংগ্রেস চীফ ননা পটোলেনা থাউ মমল কা হেন্না তাঙখৎলকখিবা অদু সেন্তরগী থৌইনশিং শোইবদগীনি। সেন্তরনা লৈবাক অসিগী মীয়াম্বু অৱাফমদা তাহল্লে। চপ মান্ননা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনসু লমদম অসিদা লৈরিবা মীয়ামদা অৱাবা কয়া মায়োক্নহল্লি।

লমদম অসিদা গভর্ণমেন্টনা থাউগী মমল হন্থহনবা ঙম্মী অদুবু সিব সেনানা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা থাউগী মমল হন্থহনবগী ৱাফম হৌজিক ফাওবা পুথোকপা লৈত্রি। মীয়ামগী য়েংলগা ষ্টেটনা লৌরিবা ভেল্যু এদেদ টেক্স হন্থনা লৌরবদি মীয়ামগী অৱাবা খরা মখৈ কোকহনবা ঙমগনি হায়রি।

চীফ মিনিষ্টরশিং কোভিদ ভেক্সিন কাপখ্রে

ন্যু দেল্লী, মার্চ ০১ (এজেন্সী) :

অনীশুবা ফেজগী ওইনা ঙসি হৌখিবা কোভিদ-১৯ ভেক্সিনেসন দ্রাইভকী অহানবা নুমিত্তা ওরিষা অমসুং বিহারগী চীফ মিনিষ্টরশিং কোভিদ ভেক্সিন কাপখ্রে।

বিজু জন্তা দলগী লুচিংবসু ওইরিবা ওরিষাগী চীফ মিনিষ্টর নবিন পটনায়ক ঙসি অয়ুক অঙনবদা বিধান সভা দিসপেন্সরিদা কোভিদ ভেক্সিনগী অহানবা দোজ কাপখিবনি।

অমরোমদা মশাগী চহী ৭০ শুরবা বিহারগী চীফ মিনিষ্টর নিটিস কুমারসু ঙসি ষ্টেট অদুগী কোনুং পটনাদা লৈবা হেল্থ সেন্তর অমদা কোভিদ ভেক্সিনগী অহানবা দোজ কাপখিবনি। কোভিদ ভেক্সিন কাপ্লবা মতুং চীফ মিনিষ্টর অনী অদুনা ফোঙদোকখিবদা কোভিদ-১৯ ফ্রী ষ্টেট ওইহন্নবগীদমক মীয়াম্নসু কোভিদ ভেক্সিন কাপ্পগী থৌরমদা শরুক য়ানবা আপীল তৌখি।

নুপী হাৎপা নুপা পুলিসনা ফারে

কোটা, মার্চ ০১ (এজেন্সী) :

ঝলাৱর পুলিসনা মশাগী চহী ৩৫ রোম শুরবা নুপা অমা মহাক্কী লোয়নবী ফুদুনা হাৎপগী থৌদোক্কা মরী লৈননা ফারে হায়রি।

পুলিসনা ফোঙদোরকখিবদা পোলি ভিলেজদা লৈবা রাকেস মিনানা কা হেন্না য়ু ঙাওদুনা লাক্লগা মহাক্কী নুপী বিমলাবাইবু মহাক্কী পেটিনা কন্না কন্না ফুবদগী জ্ঞান মাঙখি। ইমুংদা খৎনা চৈনবগী মখোল তাবদগী য়ুমথংনবা মীওইশিংনা ইমুংদা চঙলক্তুনা য়েংলুবদা নুপী অদু জ্ঞান মাঙলগা তারম্বদগী খুদক্তা হোস্পিটালদা পুখত্তুনা লায়কন্নখি। অদুবু বিমলাবাই লায়কন্নবা ঙমদনা শিখিবনি।

লৈখিদ্রবী নুপীগী ইমুং মনুংনা থৌদোক অদুগী মতাংদা কমপ্লেন তৌরকপদগী ঝলাৱর পুলিসনা থৌদোক অদুগী মতাংদা কেস অমা রেজিষ্টর তৌখিবগা লোয়নননা থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা রাকেস মিনা ঙসি মহাক্কী ময়ুমদগী ফাখিবনি।

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/ ঐনা য়াম হরাওবা ফোঙদোকপীবনে

সুধাকর

ঐগী য়েৎ থংবীবা কিডনীদকো নুঙ 5mm চাওবা অমা লৈপীবদগীকো সগোলবন্দ খম্নাম লৈরক ইম্ফাল, আই টি আই মনাক্তা লৈপীবা লাইশ্রম সুধাকর (অপোকপা লাইশ্রম নবকিশোর)না ঐবু লায়েংবীবনে অদুদা ঐগী নুঙ অদু তাপীখ্রে। মদুদা ঐনা য়াম হরাওবা পেপরসিদা ফোঙদোকপীবনে।

ফোঙদোকচরিবা :- **Dh. Namshathui**
Hidaksungba, Nambol
HL-P/9063/2

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/ খোঙ হাম্নিং হাম্নিং তৌরগা লৈবা, খোঙ হাম্বা চঙলুরগা খজিক্তং হাল্লগা তোকপা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা পুক নাবা, অমাংথোং ময়াদা চনম মরুমুক চাওবা অমা পোমথোরকপা, শা-ঙা চাবা তারগদি খোঙ হাম্বা খূদিংগী ঈ দ্রোপ দ্রোপ তারকপা, হকচাংথোংসু চাউথোরকপা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

ঐগী হকচাংদা নুংশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা খোঙ হাম্নিং হাম্নিং তৌরগা লৈবা, খোঙ হাম্বা চঙলুরগা খজিক্তং হাল্লগা তোকপা, খোঙ মপুং ফানা হাম্বা য়াদবনা চাবা থকপসু য়াদবা অমদি খ্বাং নাবা, হকচাংগী মফম খূদিংদা চিকপা নাবা তৌবা খোঙ মপুং ফানা হামদোকপা য়াদবনা মরম ওইদুনা, করিগুম্বদা খোঙ মপুং ফানা হামদোরকপদা চাবা থকপসু য়াবা অমদি খ্বাং নাবা, হকচাংগী মফম খূদিংদা চিকপা অদুসু ফখিবা, খোঙ হেক হাম্বা য়াদবগা অমুক হেক হৌরকপা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা পুক নাবা অমদি কময়াদসু য়াদবা, মরক মরক্তা য়েৎকী খোঙ নাম্মা চিংগে তৌরকপা অদুগা অমুক চিংগে তৌরকপা অমুক ফখিবা, পুক চপ তিংলগা পুক কংখৎপা গ্যাষ্ট্রিক কাবা অদুনা মরম ওইদুনা, অমাংথোং ময়াদা চনম মরুমুক চাওবা অমা পোমথোরকপা, শা-ঙা চাবা তারগদি খোঙ হাম্বা খূদিংগী ঈ দ্রোপ দ্রোপ তারকপা, শা-ঙা চাদ্রগদি ঈ তাবা অদু লেপখিবা, হকচাংথোংসু চাউথোরকপা, হকচাংথোং চাউথোরকপা অদু য়াম্না নুংঙাইতবা, খ্বাং নাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অদুনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

HL-B/6718/2
থাগৎচরিবী : **S. Rina Devi,** Khurai

ꯗꯁꯥ ꯌꯦꯡꯖꯔꯤ / দশা য়েংজরি

চহীগী দশা-লাংফম, অঙাংগী মহৈ-মশিং, লাইরিক্তা থৱায় য়াওদবা, ফেল ওইবা, অৱাংবা পরিক্ষা, থবক মফম সরকারগী থবক, পক্নবা করবার, শেল-থুম, শেল পুত্থবা, য়ূম-ইংখোল, গাড়ী নম্বর মচু, য়ূম্বাল, ইচা-ইশু, অঙাং য়াওদবা, নিশাদা লাইচুবা, হায়না-তানবা ইন্দবা, হকচাংগী অনাবা, পোৎশেম-যাদু, এক্সিদেন্ট, য়েক্নবনা মাঙনবা তৌবা, পক্নবা লক্কিষ্টোন, যন্ত্র, ঈরাৎ-থৌনী মরমশিং অসি খূবাক ময়ি অমদি কুঠীদগী কুপ্না য়েংজরি। য়ূমদা লাকপা খুদোংচাদবশিং Whatsapp কী খুত্থাংদা online দা য়েংবীবা য়াগনি। অয়ুক পুং ৭ তগী নুংথিল পুং ৪.৩০ ফাওবা, লৈবাকপোকপা য়েংজদে। Whatsapp mobile : 9077188456

Contact : **JM Dr Ph Rajendra,** (International Astrologer)
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
Near Community Hall, Imphal East
HL-B/6802/21/2-22/3

ꯅꯨꯡꯁꯡ/নুংশং ওপরেসন তৌদনা ফহল্লসি

Naorem Ibomcha

নুংশংগা মরী লৈনবা লাইওং খুদিংমক :- অমাংথোঙ নান্থবা, পোম্বা-তঙবা, চেখাইবা, ঈ তাবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, হাক্কৎচবা, নাই চারগা পোম্বা, অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেসতুলা), মচুম তাবা, ঈ অমাংবদা তৈরকপা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, মনুংদা পোম্বা (হেমোরোইদ), মনুংদা চাথৎপা, নাকল অমা চোন্থরকপা, মনুংদগী মতুম ওইনা ইন্থরকপা, চিকপা-শাবা, মপান অকোয়বা থাগৎপা, ফ্রা-ফ্রা লাওনা ইন্থরকপা, অমাংবা চেপ্পগা লাকপা, সনারৈ অথোনবদৌনা শাৎতোকপা, অরোয়বা তাঙ্কক হায়বদি খূৎনা ইনশিনবা, চঙদ্রবা (পদ্রাক-পদ্রাক তারবা) অমদি ওপরেসন তৌরুরগা অমুক হৌরকপা হায়রিবা লাইওংশিং অসি ওপরেসন তৌদনা য়াম্না লায়বা মওংদা ফহনবা ঙমজরে। মরম অদুনা মীয়ামগী লায়েংনবগী খুদোংচাবা থমজরি।

লায়েংজরিবা - **Naorem Ibomcha Meitei**
Heingang Awang Leikai Saya Club
HL-B/6656/31/12-8/3 Contact No. 6009147645/8014023792

MANIPUR UNIVERSITY
ꯇꯦꯟꯗꯔ ꯈꯪꯍꯟꯕ / TENDER NOTICE

Dated 1st March, 2021

MU/IV/4/JR/PO/ICT-LAB/2021: Manipur University invites sealed tenders from firms for supply of Desktop Computers/ Server/ Projector/ UPS/ Printer. Terms and conditions for submitting the bids can be downloaded from the website www.manipuruniv.ac.in.

Sd/- Purchase Officer
Manipur University, Canchipur
HL-B/6832/2

FOOD CORPORATION OF INDIA
ꯈꯪꯍꯟꯕ / RECRUITMENT NOTICE

The Food Corporation of India (FCI), one of the largest Public Sector Undertakings ensuring the food security of the Nation, Invites only **ONLINE APPLICATIONS** for the Post of **ASSISTANT GENERAL MANAGER (GENERAL ADMINISTRATION/ TECHNICAL/ ACCOUNTS/ LAW) and MEDICAL OFFICER** for its Offices spread all over the Country from eligible candidates who fulfill the prescribed qualifications, age, experience etc.

1. Candidates may apply online through www.fci.gov.in.
2. For details regarding eligibility criteria, reservation, age, etc., candidates may please refer to the detailed advertisement published in **'Employment News/ Rozgar Samachar' dated 27 February, 2021** or on the FCI website www.fci.gov.in.
3. **Submission of Online Application Form will commence from 01.03.2021, 10.00 Hrs. The last date for Online Application is 31.03.2021 till 16.00 Hrs.**

HL-B/6830/2

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ / ওজা ABDUL HAK
পু থাগৎচরি

পাউচে অসিদা কবিরাজ ওজা Abdul Hak, Contact No. : 8794429681, 8014623756 থেংনজবদগী ওজাগী মনাক্তা চৎতুনা লায়েংজবদগী ঐগী হকচাংদা নুংশংনা মরম ওইদুনা য়াম্না কন্না নাদুনা খোঙ হাম্বদা মতম কুইনা চঙবা, মপুং ফানা অমাংবা শেংদোকপা ঙমদবা, অমাংথোং ময়াদা পোল্লগা লৈবা অমদি অপোম্বা অদু চিকপা নাবা, মরক মরক্তা ঈ দ্রোপ দ্রোপ তাবা, মচুম অনংবা তাবা, পুকচেপ নাবা, ঙকশম মরি নাবা, পাঙ্গল শোন্থবা, খ্বাং নাবা অদু ঙসিদি মপুং ফানা ফজরে। মরম অদুনা ওজাবু থাগৎচরি অমসুং মতম শাংনা মীয়ামগী সেবা তৌদুনা পুন্সি নুংশাংনা হিংবীখো হায়না ঈশ্বরগী মফমদা প্রথনা তৌজরি।

ওজাগী লায়েংলিবা মফম :-
1. Wangoi SBI Awang, Near Oil Pump (6 am to 5 pm)

থাগৎচরিবা : **Ch. Ratan Meitei**
HL-P/9027/2 Luwangsabam Awang

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/ অমাংথোং ময়াদা য়াইরোংমুক চাওবা অমা পোমথোরকপা, য়াইরোংমুক চাওনা পোমথোরকপা অদুনা মরম ওইদুনা য়াম্না চিকপা নাবা তৌরগা খাংবা ঙমদবা, পোমথোল্লগা লৈবা অদুনা ফম্বা ফাওবা ঙমশিল্লক্তবা ফহনবগীদমক ওজা Azad পু হন্না হন্না থাগৎচরি।

ঐগী হকচাংদা নুংশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা অমাংথোং ময়াদা য়াইরোংমুক চাওবা অমা পোমথোরকপা, য়াইরোংমুক চাওনা পোমথোল্লগা লৈবা অদুনা মরম ওইদুনা য়াম্না চিকপা নাবা তৌরগা খাংবা ঙমদবা, পোমথোল্লগা চিকপা অদুনা ফম্বা ফাওবা ঙল্লক্তবা, চিকপা নাবা অদুনা মরম ওইদুনা অহিং ফাওবা মপুং ফানা তুম্বা ঙমদবা, পেন কিল্লর চারবসু ঙাইহাক ফরল্লগা অমুক হৌরকপা, অমাংথোং মপান্দা হৱাই মঙ্গল মরুমুক চাওবা অমসু পোমথোল্লগা লৈবা, খোঙ হাম্বদা হামেং মথিগুম্না মরু-মরু অকনবা ওইনা হাম্বা, খোঙ অকনবা হাম্বনা মরম ওইদুনা অমাংথোং মনুং অমদি মপান্দা তৎপা, খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা পংখোংদা খোংবা, শ্বর হোনবা ৱাবা, থবাক নাবা, খোঙ য়াম্না নারগা থবক কুইনা শুবা ঙমদবা, কোক তোয়না ঙাওবা, ঙকশম মরি নাবা, লেংজুম অনীমক চিকপা নাবা, য়াংলেন শরূদা চিকপা নাবা, ফম্বী শোনবা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা ওজা MV Azad Phusam ☎ 9089738275 / 7628890261 দা চৎতুনা লায়েংজবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী ফরে। মরম অসিনা ওজা Azad Phusam বু হন্না-হন্না থাগৎচরি।

ওজাগী লায়েংফমশিংদি :
1. Hatta, Opp. Oil Pump near Public Hospital, Imphal
2. Mayang Imphal Konchak Bazar (6am to 10am)
3. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (only Saturday & Wednesday open)
4. Yairipok Bazar near traffic point. (only Sunday open)

HL-P/8995/2
থাগৎচরিবা : **Y. Manisana,** Kakching